
# অচেনবা কার মথক্তা পেন্টোমাইম উৎখিবা তোম্বী শর্ম্মা

থম্মোয় পাউদম ও সি মৈরা



অহল ওইরবশিংগী মনুংদা হঞ্জবম তোম্বী শর্ম্মসু অমনি। তশেংনমক মহাক অহল ওইরে। মহাক্না কুমজা ১৯৪৩ গী মার্চ ২ দা তাইবঙদা খোঙদারকখি হায়বসি থাজদবা মীসু লৈতবদি নত্তে। মরমদি মহাক অহল ওইরবসু মশা খিং-খিং লাউরি। নহা অমগুম্না গাড়ী মচা থৌরগা চৎলি। খ্বাঙ কোন্দরি। য়েংবদা তিং-তিং লাউরি। মহাকপু মীয়াম্না শকখঙনরিবসি পেন্টোমাইমগী তোম্বী হায়রগনি। মাইম প্লেগা পেন্টোমাইমগা মান্নদবা মশক খরা লৈ। পেন্টোমাইম অমসুং মাইম প্লেগী লৈরিবা মান্নদবা মশক্কী মতাংদা নৈনজনবসু হোৎঞ্জদে। ঙসিগী ঈ-পাউদি শুপ্নতগী হঞ্জবম তোম্বীবু নীংশিংজবা অসিখক্তনি। করিগীদি নীংশিংলোইদগে অচেনবা কারগী মথক্তা পেন্টোমাইম উৎখিবা মহাকপু। অদুবু তোম্বীগী মহুত্তি কনানা শিনহৌগদৌরি। তোম্বী শর্ম্মনা থুপখ্রবা মতুংদা কনানা পেন্টোমাইম শান্নবীহৌগনি।

হংলিবা ৱাহং অসিগী পাউখুম পীবদা ফনা লুগনি। মরমদি পেন্টোমাইমগীদমক্তা মণিপুর লৈঙাক্না ৱাখল খনবসু লৈত্রি। শুপ্নতগী তোম্বীগী থম্মোয় নুংদা চাক্লিবা মৈচাক্না পেন্টোমাইম কনবা ঙমগনি খঞ্জবতনি। কয়াদা পূক্লিং নুংশিখ্রবনো। মীচং য়ামজদবা আর্ট ফোর্ম অমগী মপা ওইরুবসি কয়াদা ৱারমগনি। মচা লৈতবা মপা হায়বদু হঞ্জবম তোম্বীদা থোক্লব্রা? আর্ট হায়বসিদি মচা য়ামহন্নিংই হায়দুনা চাকগোক ফবী য়েনবীগুম মচা পংকোক্তা পোকপা য়াবসু নত্তে। কোনখিবা মরুম খুদিংমক মারোই হায়নিংঙাইসু লৈ। মসিদনি অহলগী মতম ওইশিল্লক্লবা তোম্বীনা য়াচংলকপদা থম্মোয় মৈচাক ফাওরিবসি। হঞ্জবম তোম্বীদা আর্টকী মমল নাইদ্রবা লন কয়া তুংদুনা লৈরি হায়বসি খঙবীদনা মাঙখিগদৌরে। মসিমদি খঙই, লমদমসিগী মীওই খরা অদুনা তোম্বীদা পীখিবনি ষ্টেট এৱার্দসু।

এৱার্দনা আর্টপু হিংহনবা য়াব্রা? এৱার্দনা আর্টপু হিংহনবা ঙমদে। মসিদি থাবলগী মঙালগুম্বনি। থম্মোয়বু ঈংথহনবীবনি। তগৎ-তগৎ তেক্লবা ঈশিং চাইবীবনি। শুপ্নতগী পূক্লিং থৌগৎপীবা হায়বদুনি। অদুবু পূক্লিং থৌগৎপীরিবা অসিসু ফত্তেদি করম্না হায়গনি। অফবা ওইবননি এৱার্দকী দোন্নর কয়া চোংথোক্লক্লিবসি। এৱার্দকী দোন্নরদি য়াম্না চোংথোক্লকই। লুরিবদি এৱার্দ ফংবা য়াগদবা মী শেম্নবগী মতাংদদি মী কয়া থোরক্তে। মীনা মী শেমগদবনি হায়বসি করিগুম্বা মতমদা ঐখোয় মীওইবনা কাউথোক্লব্রা? ৱাহং অসি তোম্বীদদি লৈতে। মহাক্তি মী শেম্বা পাম্মী। পেন্টোমাইমগী অনৌবা আর্টিষ্টি শেমনিংই। লুরিবদি আর্ট অসিবু পামজবা নহা থোরক্তবা অসিনি। আর্ট হায়বসিদি পামজবা মী চঙই। পামদ্রবদি শেম্বা য়াদে।

তোম্বীদি কনাগীসু থৌইনশিন য়াওদনা আর্ট অসিগীদমক্তা অঙম্বা খরদি পাঙথোক্লগে য়াওনা চঙলকখিবনি। ব্রহ্মপুর নহাবম লৈকায়দা লৈরিবা তোম্বীগী অপোকপনা লৈখিদ্রবা নন্দ শর্ম্ম অমসুং অপোকপীনা ব্রহ্মচারিময়ুম নিঙোল হঞ্জবম ওংবী অমুলৈমানি। লৈঙাক্কী থবক তৌরম্মী। কুমজা ১৯৬০ দা বেষ্ট এক্টরগী মনা মণিপুর ড্রামা ফেষ্টিবেলদগী ফংখি। কুমজা ১৯৬৪ দসু বেষ্ট এক্টরগী মনা ফংখি। মহাক্না শরুক য়াখিবা পনবা য়াবা ফম্বাক লীলা অনীদং হায়বা তারবদি বি এ লমজা অমসুং পুন্সি পামেল পনবা য়াই। অদুগা অতোপ্পা মহাক্কী পনবা য়াবা ফম্বাক লীলা অমনা মচিন মনাও হায়রিবা অসিনি। মহাক্কী আর্টপু শকখঙবীদুনা মঙোন্দা মনা পীবা অমসুং পূক্লিং থৌগৎপীবদি ওন্থোক্না য়ামখ্রে।

তোম্বীগী পুন্সিদা কাউবা ঙম্মোইদবা অমদি কুমজা ১৯৭২ দা জৱাহরলাল নেহরু দান্স একাদেমীগী ওদিটোরিয়মদা মহাক্কী প্লে উৎখি। মদুদা মহাক্কী অপোকপী মমাগা মহাক মশাগা পুন্না ষ্টেজদা থোরক্তুনা খাংজেঙ লাইরেম্বীদা থৌনিখি। মমা অমনা মচাগীদমক্তা কয়ামুক য়াম্না ৱাজবগে হায়বদুগী খুদম পীখি। অতোপ্পা অমনা কুমজা ১৯৭৩ গী জুন ২৭ দা তোম্বীনা অচেনবা কার মথক্তা লেপখি। খুৎ পায়ফম য়াওদনা কার মথক্তা তোংলগা কারগী খোঙজেলগী তান্থাদা পেন্টোমাইমগী শো উৎখি। মীয়াম্না অঙকপা পোক্না য়েংনখি। মদুগী মনিল হৌজিক তারি। তোম্বীদা মীয়াম্না থাগৎনখিবগী নুংঙাইবদু হৌজিকসু হন্দরি। পেন্টোমাইমবু তোম্বীনা ইঙ্গিৎ কুম্মৈ হায়না মীতৈলোনদা হল্লি। মহাক্কী ইঙ্গিৎ কুম্মৈগী লাইরিক ফোঙলে। মীয়াম্না পাবীগদবতা মঙাইরে।

লৌশিং পুক্কে

# ভিটামিন সী না ঙৌদোং থুংহন্দবা ঙম্মী

চহী য়ামশিল্লকপগা ইরোয়-ননা ঙৌদোং থুংলকপা হায়বসিনা খ্বাইদগী মরুওইবা মীৎ তাঙহন্নবগী মরম ওইরি।


হৌজিক মক্নাওইনা ওইহল্লকপগী চপ চাবা মরম খঙদ্রবসু ওক্সিদেটিভ ষ্ট্রেসনা মীৎকী লেন্সতা য়াওবা প্রোটিনশিং অমাঙ-অতা থোকহল্লকপদগী ঙৌদোং থুংলকপনি হায়না হেল্থ এক্সপার্টশিংনা থাজনরি।

ঙৌদোং থুংবা হায়বসি মীৎকী লেন্সতা লৈচিল থাবদৌনা ঙৌরোক ঙৌনা কুপশিল্লকপদগী ময়েক শেংনা উবা ঙমদবগী থৌওংবুনি। মশাগী চহী ৮০ হেল্লবা মীওই অয়াম্বা মীৎ নাম্মা নৎত্রগা অনীমক্তা ঙৌদোং থুংবগী অৱাবা মায়োক্লে।

মীৎকী লেন্সতি মনুং-মপান ফাওবা উবা (ট্রান্সপরেন্ট ওইবা) পোৎশকনি। মঙালনা লেন্স ফাওদুনা রেটিনা য়ৌরবা মতুংদা নর্ভ সিগনেল ওন্থোক্লগা ব্রেনদা য়ৌখি। মতৌ অসুম্না পোৎশক অমবু ময়েক শেংনা উবা ঙম্লিবনি। করিগুম্বা ঙৌদোং থুংবদগী লেন্সতা লৈচিল থাবদৌনা অঙৌবা মচেৎ কুপশিল্লকপা তারবদি পোৎশক অমত্তা ময়েক শেংনা উবা ঙমদে।

তশেংবদি চহী মতাং খুদিংমক্কী মীওইদা ঙৌদাং থুংলকপা য়াই। অদুবু অহানবা হৌগৎলকপদা চাং য়াম্না নেম্বা মরম্না উবা ঙম্বগী মতিক ময়াইদা থোইদোক্না অকায়বা পীরক্তে। চহী য়ামশিল্লক্লবা মতমদদি ঙৌদোং থুংবগী চাংসু হেঞ্জিল্লকপা মরম্না উবা ঙম্বগী মতিক ময়াই হন্থরকই।

ওইহল্লকপা য়াবা রিস্ক ফেক্তরশিংদি দাইবেটিসনচিংবা লায়না মখল খরা, মৈখু শীজিন্নবা, য়ুথকপা অমসুং মতম শাংনা নুংশা মঙালদা লৈবা অসিনচিংবনি। অদুবু ওফথালমোলোজি জর্নেলদা ফোঙলকখিবা ষ্টদিগী রিপোর্ট অমগী মতুংইন্না নুমীৎ খুদিংগী ভিটামিন সী য়াওবা চীঞ্জাক মরাঙ কায়না চারবদি ঙৌদোং থুংলক্কদৌবদগী ঙাকথোকপা ঙম্মী হায়রি।




রিপোর্ট অদুনা হায়খি, মশাগী চহী ৪০ হেল্লবা মীওই অয়াম্বা মীৎকী লেন্সতা লৈচিল থাবদৌনা ঙৌরোক ঙৌবা মচেৎ-মচেৎ কুপশিল্লকপদগী পোৎশক খুদিংমক ময়েক শেংনা উবা ঙমদে। ভিটামিন সী য়াওবা চীঞ্জাক মরাঙ কায়না চারবদি মীৎকী লেন্স অমসুং মসিগী অকোয়বদা লৈবা মহীগী শরুক হেনগৎহন্দুনা লেন্সতা অকায়বা থোকহন্দে। মরম অদুনা ভিটামিন সী য়াওবা উহৈ-ৱাহৈ অমদি অশংবা মনা মশিং মরাঙ কায়না চাবা মথৌ তাই।

ফ্রী রেদিকেলশিং থোকহল্লকপা অমাঙ অতা পুম্নমক এন্টিওক্সিদেন্টনা ঙাকথোকপা ঙম্মী। ভিটামিন সী হায়বসিসু খ্বাইদগী ফবা এন্টিওক্সিদেন্ট মখল অমনি। হকচাং মনুংদা ফ্রী রেদিকেলগী চাং ৱাংখৎলকপা মতমদা সেল অমদি টিস্যুশিং মাঙ তাকহল্লক্তুনা মখল কয়াগী লায়না ওইহল্লকই। খুদম ওইনা মীৎকী লেন্স, ঈগী ঈচেলদা য়াওবা মোলিক্যুলশিং অমসুং সেলদা য়াওবা জেনেটিক মেটরিয়ল (দি এন এ) মাঙ তাকহল্লকপা য়াই।

পুম্নমক অসি ভিটামিন সীনা খরমখৈ ঙাকথোকপা ঙম্মী। মসিগীসু মথক্তা ঐখোয়না নুমীৎ খুদিংগী চারিবা চীঞ্জাক্তগী হকচাংনা আইরন লৌশিনবদা ভিটামিন সীনা মতেং পাংই। হেঙ্গরদা ফি য়ানবগী মতৌগুম হকচাংগী উনসা অমদি শরূ পুম্নমক কোলোজেন কৌবা ফ্রেমৱার্ক অমনা সপোর্ট তৌই। কোলাজেন শেমগৎপদা ভিটামিন সীনা অচৌবা থৌদাং লৌই। মরম অদুনা ভিটামিন সী ৱাৎপা মীওই খুদিংমক য়ারী-য়াখোঙদা ঈ থোরকপগা লোয়নানা নোম্লকই অমসুং শরূ শোন্থরকই।

নরভস সিষ্টেম, এন্দোক্রাইন সিষ্টেম, ইম্ম্যুন সিষ্টেম অমদি দাইজেষ্টিভ সিষ্টেমনচিংবা হকচাংগী তোঙান তোঙানবা সিষ্টেমশিং মথৌ তৌহনবদা মরুওইবা থৌদাং লৌরিবা সেরোটোনিন কৌবা হোর্মোন অমা পুথোকপদা ভিটামিন সীনা অচৌবা থৌদাং লৌই। মরম অদুনা ভিটামিন সী ৱাৎপা তারবদি হকচাংগী সিষ্টেম অয়াম্বা শোয়রক্কনি।

‘ওফথালমোলোজি’ জর্নেলদা ফোঙলকখিবা ষ্টদিগী রিপোর্টনা হায়খি, ভিটামিন সী ৱাৎপনা খ্বাইদগী হান্না অকায়বা থোকহল্লক্লিবসি মীৎতনি। মালেমদা ঙৌদোং থুংলকপদগী মীৎ তাঙলিবা মীওই অয়াম্বা ভিটামিন সী ৱাৎপদগী ওইরকপনি হায়রি। মরম অদুনা নুমীৎ খুদিংগী ভিটামিন সী মরাঙ কায়না য়াওবা উহৈ-ৱাহৈ অমদি মনা মশিং চাংনাইনা চাবা মথৌ তাই।

# ফোক ম্যুজিক ফেষ্টিবেল হৌখ্রে, তরাও অমসুং কোম ট্রাইবকী ফোক খুদোল তমখ্রে

নোমিতা খোংবান্তাবম









কলচরদা ইনাক খুল্লবা লমদম অমা ওইনা মালেমদা শিংথাবদা য়াওরিবনি। কলচরদা ইনাক খুল্লিবা অসি চীংগী কলচরগী শরুক য়াওরিবনি। খৃষ্টান লাইনিং চঙলকপা মতমদগী চীংগী কলচর অয়াম্বা তপ্না তপ্না মাঙথরকখি। মসি চীংমী মীয়াম্নসু য়াজরবা ৱাফম অমনি। হৌজিক লুরিবদি চীংগী ট্রেদিসন, ফোক কলচর অসি হান্নগুম্না হঞ্জিনবা ঙমদ্রবসু খরদি হোৎনফম থোক্লি।

হৌবু হৌখ্রবা চঙশিনবনবু লেপত্রবদি তপ্না তপ্না খঙবা হৌরক্কনি। খঙবা হৌরক্লবা লম্বী থিবা চঙই। চীংগী লৈজরক্লবা ফোক ম্যুজিক, ট্রেদিসন, কলচর হায়বসি মাঙহন্দনা, মশক থোক্না মালেমদা শক্তাকপা ঙম্নবা হোৎনবদা ঙসিগী মীরোলগী থৌদাং চাউই।

চাউখৎপা খুন্নাইগী ঈচেলদা ঐখোয়গী কলচর অমসুং ট্রেদিসন হায়বসিদি লোয়নদুনা চৎপা মথৌ তাই। চাউখৎপা খুন্নাইগী অওনবা অহোংবদা আইদেন্টিটি হায়বসি হেন্না মরুওই। ট্রাইবেল কলচর, ট্রেদিসন, ফোক ম্যুজিক্কী ওইবা মফম

নুমীৎ নীনি চথুগদবা ফেষ্টিবেল ওফ ট্রাইবেল এন্দ মৈতৈ ফোক ম্যুজিক ওফ মণিপুর, পেলেস কম্পাউন্দদা লৈবা ইবোয়াইমা শুমাং লীলা শঙলেন্দা ঙসি হৌদোকপগী অহানবা নুমীৎতা মৈতৈগী পেনা খুদোল তমখি। ট্রাইবেল ফোক ম্যুজিক্কী ওইনা খোইরেন্তাক ভিলেজ চুড়াচান্দপুর দিষ্ট্রিক্ট অমসুং চান্দেল দিষ্ট্রিক্টকী তরাও ট্রাইবকী ফোক ম্যুজিক উৎখি।

মিনিষ্ট্রি ওফ কলচর, গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়াগী শেন্থং মখাদা এক্টর রিপর্টরি ঠিএটর মণিপুর, শিংজমৈ ৱাংমা থিয়াম লৈরক্না শীন্দুনা পাঙথোকপা, ফোক ম্যুজিক ফেষ্টিবেল অমা নৌহৌননা পাঙথোরকপা হায়বসিসু থাগৎনিংঙাইদি ওই। মরমদি ঙসিগী চরাংনরবা, লৈতাদ্রবা চীং-তমগা লাপ্পবদৌনা খন্নরক্লবা মতম অমনি হায়রবসু য়াই।

মতাং অসিদনি কলচর হায়বা অসিদি ঐখোয় অমত্তনি হায়বগী ৱাখল্লোন্দা খেন্নবা লৈতে তাক্লি। চীং-তমগী ওইবা কলচর ট্রেদিসন, ফোক ম্যুজিক হায়বা অসিদি য়োকখৎনিংদবা ফুরুপ অমত্তা লৈরম্লোই হায়বসি ফেষ্টিবেল অসিনসু তাক্লি। অদুগা ট্রেদিসন, কলচর, আইদেন্টিটি হায়বসিদা অহলশিংগী থম্মোয়দা, পূক্লিংদা য়োক্তুনা থল্লিবা ঙাক্তনি।

খোইরেন্তাক কোমগী *উশান অমসুং খুং অমদি সর্কি* ফোক ম্যুজিক উৎখি। খোইরেন্তাক কোমগী হৌরক ৱারীগা শাগোন্নবা অমদি কোম ফিগী ময়েক্তা লাইরেন ময়েক য়াওবগী ৱারীগী ঈশৈ য়াওরি। মসিদসু নত্তনা লৈশাবী অদুনা পাখং অদুদা হৈ হেকপীয়ু হায়বদা পাখং অদুনা নুপী অদুবু পামদবদগী অতোপ্পা নুপাদা হৈ হেকপা থৈদোক্লবা হায়খিবগী ৱারী কয়াদা, শৈথাদুনা শকখিবা ঈশৈ য়াওরি। ঈশৈ শকপা লোইবগা কোম লোলদগী মৈতৈ লোলদা অমুক হন্দোকই।

খোইরেন্তাক কলচরগী গুরু মীংথোল ফংখ্রবা গুরু অচোন কোমনা পাউ-চে অসিদা হায়, কোম কলচরগী ওইবা ফোক ম্যুজিক অসি য়োকখৎনবা হোৎনবদা খোংলিবা মচাকশিং অসিসু কোম ফুরুপশিংনা শেম্বা চঙই। মচাকশিং, খুৎলাইশিং অসি শেম্বা শাবা হৈবা তাই। মসিদা হৈনবা তম্বা-হোৎনবা চঙই। মরমদি ঐখোয়গী ইনাৎ ওইরিবা মীশিং হায়বদি মশা মশানা মথৌ ওইনা হোৎনগদবনি।

ঐনা কোম ওইরবদি কোম ফুরুপকী ওইবা কলচর য়োকখৎপা হায়বসি মশানা তাবনি। মসিদা মৈতৈনা তমদুনা য়োকখৎপা হায়বসি ওইবা য়ারোই। মশা মশানা য়োকখৎকদবনি। য়োকখৎনবা হোৎনবদা মতেং পাংবীবা হায়বসিনা অমনি। কোম ফুরুপনা কোম কলচর, ফোক ম্যুজিক অসি য়োকখৎনবা খুদিংমক তম্বা চঙই। মসিদা মণিপুর গভর্ণমেন্টনসু মতেং পাংবীগদবনি হায়খি।

চান্দেল দিষ্ট্রিক্টকী হৈককপোকপী তরাও ভিলেজগী ফোক ম্যুজিক্তা পেনা (ঈশি), খুংজিংকাই, উথেমপু উৎখি। কনাগী মচানো লাকও জগোয় শাবা য়াওরো হায়না শৈথাবা ঈশৈ য়াওরি। মসিদসু নত্তনা উচেক ঙাকপা, উচেক তানবা অমদি ঈশিং শোকপা তল্লবদি চেঙ ওইনা শায়রো হায়না শৈথাবা ঈশৈ কয়ানা লাম্থোকখি।

হৈককপোকপী তরাও কলচরগী লুচিংবা লমতাজাও তরাওনা পাউ-চে অসিদা হায়, তরাওগী ওইবা কলচর অসি য়াম্না লৈরি। অদুবু কলচরগী মথৌ তৌদ্রবনিনা মাঙথরে। অদুনা মথৌ তৌহনবা পাম্মী। লৈরিবা কলচরশিং ফোক ঈশৈ ওইরবসু মথৌ তৌহন্দ্রবদি মাঙবা তাবনি। অদুনা তরাওগী কলচরশিং অসি মাঙদনবা তরাওগী ট্রুপশিং অমদি অঙাংশিংদা ট্রেনিং তৌহনবা চঙই। হৌজিক লৈরিবা তরাওগী অহলশিংদগী ট্রেনিংগী ওজা খনবীদুনা ট্রেনিং পাঙথোকপীয়ু। মসিদা মৈতৈশিংনসু মতেং পাংবীদুনা তরাও কলচর অসি মাঙদনবা হোৎনমিন্নসি হায়খি।

লমতাজাওনা মখা তারদুনা হায়খি, তরাওগী ওইনা পেনা অসি লৈরম্বদি নৎতে। অদুবু কুম্মৈ কয়াদা তরাওনা জগোয় শাবা, ঈশৈ শকপা অসি লেপ্তুনা য়াওদুনা লাকই। তরাওগী জগোয়, ঈশৈ অসিদা মৈতৈ নিংথৌনা পেনবীদুনা পেনা অসি পীবীখিবনি। অদুনা তরাওনা ঙসি ফাওবদা পেনা খোংবা অসি তরাওগী ফোক ম্যুজিক ওইনা ইপা-ইপু হাক্তক্তগী শীজিন্নদুনা লাক্লে হায়খি।

সঞ্জেনবম লৈবাকমচা, ভিজিটর গুরু, জৱাহরলাল নেহরু দান্স একাদেমীনা পেনাগী শৈশক তমখি। ইমা লৈমরেল শিদবিদগী হৌরগা পান্থোইবী লাংলোন শায়োন ফাওবদা শৈথাবা অমদি মোইরাং কংলৈরোলদা শৈশক তমখিবা পেনানি।

ফেষ্টিবেল ওফ ট্রাইবেল এন্দ মৈতৈ ফোক ম্যুজিক ওফ মণিপুরগী নীনি চনবা অরোইবদা, সেনাপতি দিষ্ট্রিক্টকী লিয়াংমৈ ট্রাইব, পুরুম ট্রাইব, খারম ট্রাইব অমসুং মৈতৈগী খুল্লাং ঈশৈ খুদোল তমগনি।

মণিপুরগী ওইনা ষ্টেট কলা একাদেমী অমদি আর্ট এন্দ কলচর দিপার্টমেন্টনা শীন্দুনা পাঙথোক্লকম্বা নত্তনা হৌজিক মদুগী মফম লৈখিদ্রে। টুরিজম ফেষ্টিবেল ওইনা পাঙথোক্লক্লবা মণিপুরগী সঙাই ফেষ্টিবেল অসিদা চীংগী ফুরুপশিংনা শাবা কলচরেল দান্স অসি নত্তনা লৈত্রে। জন্যুৱারি ২৬, রিপব্লিক দেগী থৌরমদা শরুক য়াবা অসি নত্তনা মণিপুরগী ট্রাইবেল কলচরগী মফম লৈরক্তবগুম্না উরক্লে।

চীং অমসুং তমগী কলচরশিং মাঙহন্দনবা হোৎনবদা কলচরগী মথৌ তোয়না তৌহনবা চঙই। মসিনা চীংগী ওইবা মীৎয়েংদা মখোয়গী আইদেন্টিটি অসি মশক তাকহন্নবগী মচাক অমসু ওই। মশানা মশাবু মশক খঙজবা হায়বসি মখোয়গী কলচর অদুনা নীংশিংহনগদবনি। মখোয় মখোয়গী কলচরশিংবু চীনফা পুহনবা চঙই। ফোক ম্যুজিক হায়বসিসু পুৱারীবু চীনফা পুবনি।

ফেষ্টিবেল ওফ ট্রাইবেল এন্দ মৈতৈ ফোক ম্যুজিক মণিপুরগী দিরেক্টর ক্ষেত্রি জুগিন্দ্রোনা ফেষ্টিবেল অসিগী নুংগী ওইবা ৱারোলদা পাউচে অসিদা হায়খি, ফোক ম্যুজিক হায়বসি চীংগী লমদসু লোৎতুনা কয়া অমা লৈরি। মসি ঐখোয় ঙসি ফাওবদা খঙদনা লৈরকপা কুইরে। ফোক ঈশৈ অসিদা চীংগী ওইজরবসু পূক্লিংদা ৱাখলদা পুবা ঙম্বা ম্যুজিক কয়া লৈরি।

মখোয়গী তাঙলবা পুৱারী য়াওরবা ফোক ম্যুজিক কয়া মাঙশিল্লকপা হায়বসি মাঙজবদা ঐখোয়সু য়াওই। অদুনা মাঙশিল্লক্লবা চীংগী ফোক ম্যুসজিকশিং অসি লৌখৎতুনা মীয়ামদা খঙহন্নবা হোৎনবনি। ফেষ্টিবেল অসিদা চীং ওইরবসু তম ওইরবসু মমাঙঙৈ, থায়নঙৈদগী চৎনরক্লবা অশেংবা মশক অদু চৎপীনবা হায়জৈ।

মরমদি হৌজিক্তি চাউখৎলকপগী মতুংইন্না ফিজেৎ লৈতেংদা হাপচিনবা য়াওরে। জুয়েলরিদসু অদুম্মক হাপ্পুনা য়াওশিন্দবা নত্তে। মৈতৈগীসু পেনা শকপদা হৌজিক শেৎলিবা ফিজোল খামেন চৎপা, রেসন ফুরিৎ লীৎপা অসিসু লীৎপীগনু হায়জৈ। মমাঙঙৈগী অঙৌবা ফিজোল অদু শেৎলগা পেনা শকপীনবা হায়জবদুনা ঙসি শেৎলিবনি।

চীংগীসু খৃষ্টান লাইনিং লাক্ত্রিঙৈ, নন খৃষ্টান ওইরিঙৈগী অশেংবা মশক অদু পামজবনি। অদুনা য়ারিবমখৈ খোংবা-থিনবা য়ানশিনবা অমত্তা য়াওবীদনবা হায়জবদুনা য়ানশিন্দে হায়না খল্লি। হৌজিক ফেষ্টিবেল অসিদা য়াওবিরশিং অসি রেকোর্দিং তৌদুনা মাঙখিদনবা হোৎনগনি। চীংগী তাঙলবা মমল য়াম্লবা ফোক ম্যুজিক, ট্রেদিসন কলচরশিং অসি মণিপুরগী পূক্কে লনগৈনি। মণিপুরগী পূক্কে লনগৈ হেনগৎহন্নবা হোৎনবদা মীয়াম্নসু মতেং পাংবীয়ু হায়খি।

তশেংনমকসু মণিপুর অসি অসিদি চীংমীশিংগীসু লেংদ্রবা লন অমনি। মালেমগী ফম্পাক্তা অথোয়-অহেন তান্নবা ঙম্নবা হোৎনবা চঙই। মপানগী শেন্থংনা ওইরবসু চীংমীশিংগী ফোক কলচর, ট্রেদিসননচিংবা কয়া অসিদি তোয়না তোয়না পুথোকপা চঙই।